# চহীনা নমশিনবা ঙমদ্রবা মতিক ময়াই চেনবা ইরোম শ্যামকিশোর, ফিল্ম এক্টর

- *নানি*

মীওইবগী মশাদা পক্তুনা লৈখ্রবা হৈথোই শীংথোইবা অমদি মহৈ-মশিনদি চহীদা লৈতে। চহী ফনা য়াল্লবসু মশাদা তাশিন্দুনা চেৎশিন্না য়োমশিন্দুনা থমখ্রবা মহৈদি কৈদৌনুংদা ময়েং তাবা লৈতে। পাঙ্গল ময়েং তারকপনা তৌনিংবা খরবুদি পাঙ্গল থোক্লা তৌবা ঙমদবদি য়াই, অদুবু ৱাখলদা মোংলকপদদি ময়েং তাবা লৈতে। মসি মীপুম অয়াম্বদা থেংনৈ। অদুবু আর্টকী লম্বীদা খোঙ থাংজিল্লিবা অহল-লমনশিংনদি খরা হেল্লি হায়বসি হেঞ্জিন্না হায়বা তাগনি থাজদে। পূং, ঈশৈ, এক্টিংনচিংবা ওজা কয়াদা লৈরিবা চীংজাওগুম্না পৈদুনা লৈরিবা মহৈশিং অসি নোংমতা ময়েং তাবা লৈতে। মখোয়না থনম্বা, শেমগৎ-শাগৎপীরম্বা কয়া অদুননি ঙসি হৌরক্লিবা নহাশিং অসিনা চাউথোকচরিবা।

ঙসিগী কলম অসিদা মতম অমগী শুমাং লীলাগী মমিং লৈরবা এক্টর অমা ওইরম্বতা নত্তনা বেষ্ট এক্টরগী এৱার্দ লৌখিবা, অদুদগী অমুক সেল্ল্যুলোইদকী মতমদা ফিল্ম ওইনদি পুথোকখিদ্রবা মমিং লৈখিবা, **উরিরৈ-মাধবী** অমদি **নিঙোল** নচিংবা ফিল্মশিংদা মরুওইবা রোল লৌদুনা সূটিং তৌখিবা, (অদুবু খুদোংচাদবা খরা লৈখিবনা মপুং ফানা লোইশিন্দুনা মীয়ামদদি রিলিজ তৌরখিদ্রবা ফিল্মশিংনি) মদুগী মতুংদা ঠিএটররোমদা অমুক চঙশিল্লক্তুনা, কালাক্ষেত্রা অমদি অতৈ ঠিএটর লূপশিংগা খুৎশম্নদুনা মমিং লৈরবা প্লে কয়াদা শরুক য়াখিবা অদুগা হৌজিক্লা মণিপুরী ফিল্মদা মায় ওনশিন্দুনা মশীং নাইদ্রবা ফিল্ম কয়াদা এক্ট তৌরিবা এক্টর ইরোম শ্যামকিশোরনি। **উরিরৈ মাধবী** হায়রিবা ফিল্ম অসিদা বিরেনগী রোল লৌখি। হৌজিক ফাওবা মীয়াম্না চীন্দোনদা লৈতোন্দা পক্তুনা লৈখ্রবা ঈশৈ "নংদি অয়েকপা শক্তমনি" হায়বা ঈশৈ অদু সূটিং ফাওবা তৌখ্রবনি। নম্বা লোইশিনখিদ্রবা ফিল্ম অনী অসিগী মতুংদা লৈখিদ্রবা এম এ সিংহনা দিরেক্সন পীগদবা ফিল্ম অমগীসু য়াওনবা হায়রবা লাকখি। অদুবু মমাঙদা ওইখিবা ফীভম অদুনা মরম ওইরগা নীংহন্নবা অমদগী কুম্বদি কুমখিদ্রে। ইরোম শ্যামকিশোর খোঙহাম্পাৎ হায়রিবা মফম অদুদা কুমজা ১৯৪০দা পোকখি। পীশক পীক্লিঙৈদগী হৌনা আর্টকী লম্বী অসিদা য়াম্না পাম্না হৌরকখি। আর্ট কমদৌনা পাম্বা হৌরকখিবনো অমদি মহাক্কী পুন্সিদা করম্না আর্টকী মচু শংখিবনো হায়বগী লীখুন থিরকপা মতমদদি, শুমাং লীলাগী লীক্লম খরা য়েংদবা য়ারক্তে। খোঙহাম্পাৎ হায়রিবা মফম অসিদা ঙল্লিঙৈ মতমদা মতিক চারবা, মতিক ময়াই চেনবা আর্টকী অহল-লমন কয়া অমগী হৌফম ওইখি। মণিপুরী শুমাং লীলাদা মতম অমা য়াম্না মমিং চৎখিবা হরিসচন্দ্র হায়রিবা লীলা অসিগী হৌরকফমনি। মতম অদুদা হরিসচন্দ্র হায়রিবা লীলা অসি মণিপুরগী মীয়াম্না য়াম্না পাম্নখিবা শুমাং লীলা অমনি। লীলা অসি অহলশিংনা তীন্নবা, লীলা চৎপা অমদি লীলাগী আর্টিষ্ট কয়াশিং অদু য়াম্না নক্লবা মরী মতাশিংসু ওইরকপা, লোইনা লীলা কয়া অমা মখোয়গী শুমাংদা তমখিবা কয়া অদুদগী হৌনা পূক্নিংদা লীলাগী অপাম্বা অসি হৌরকখিবগী লীখুন ফংবা ঙম্মী।

হৌজিক্তি এক্টর অসি মশাগী চহী ৮২ শুরে। পাঙ্গল ময়েংদি তারে। অদুবু মশাদা পক্তুনা লৈখ্রবা এক্টিংবু পামজবা অদুগী ময়াই অদুদি কোকপা লৈত্রি। হৌজিকসু ফিল্ম কুল্লি। ইমুংগী মচা-মশুশিংনবুদি নীংথিজনা পোত্থাদুনা লৈহন্নিংলবনি। অদুবু মথ্বায়নদি পামজবা কৌবনিনা হান্নগী পাঙ্গলগুম ইরাই লায়না ফিল্ম কুম্বা ঙমগনি হায়না অয়াবা পীদুনা কুল্লি, ঙমসু ঙল্লি। থোইদোক্লা ফিল্ম কুম্বদা, এক্টিং তৌবদা মশাদা কা হেন্না চোকথবা লৈত্রি। ফিল্মগী এক্টিং তৌরগনা হেন্না মশাদা কনখৎলকপগুম খঞ্জরি। হৌজিক ফাওবদা চাউরাক্লা ফিল্ম ১০০ হেন্না কুম্বীরকখ্রে। মমিং লৈরবা ফিল্ম কয়াদা শরুক য়ারকখিবনা থোইদোক্লা শক তাক্লবদা অরুবা অমা ওইদ্রে। ফিল্ম মমিংদং হায়বদা থোইদোক্লা মীয়াম্না লাকশিনবা ঙল্লিবা এক্টর অমনি। এক্টর অমগী মায় পাকপা অসিসু মসিনি।



মহাক্লা তৌজখিবা খরা অদু মীয়াম্না রেকোগনাইজ তৌবা হায়বসি থোইদোকপা অমনি।

শ্রী ইরোম শ্যামকিশোর, ১৯৬০-৭০গী মতমদা মণিপুরী শুমাং লীলাগী মীয়াম্না পাম্নবা হেরো অমা ওইরকখি। লীলা য়াওখিবা অসিসু ওজা অসিগী ময়াম্বনা নোংমা হৌজিক্তি লৈখিদ্রবা মংসিদম বিনোদতা ঐগী ইনাওনুপাসি আর্টতা ঙাওরে হায়না ৱারী তৌরুবদা, ওজা বিনোদনা 'ইহ অদুদি ঐখোয় শেমজরগে' হায়না ৱারী শানখ্রবা মতুং, নোংমা য়ুমদা লাক্তুনা লীলা য়াওরনবা হায়রকখিবদগী লীলা য়াওবা হায়বদু ওইখিবনি। মমিং লৈরবা লীলা কয়াদা মথং মথং য়াওরকখি। অহানবা হেক শুমাংদা থোরকপদগীদি অয়েংবশিংনা য়াবীখিবা অদুগুম্বা য়াম্না তাঙলবা আর্টিষ্ট অমা ওইনা হৌরকখি। কুমখিবা মমিং চৎখিবা লীলা খরগী মমিং পনবা য়াবদা- **চিন্তামনি, ইপাগী ইবুংঙো, ঈশ্বরগী নোংদম, উমাকান্তগী ৱিল, লোন্নবী মচা** নচিংবা মাষ্টরপিছ ওইখ্রবা লীলা কয়াদা হেরো শারকখি। মদুগী মতুংদা লীলা তোক্তুনা গভর্ণমেন্টকী জোব অমা ফংদুনা মতম শাংনা থবক তৌদুনা লৈরুরে। মহাক্কী থবকসু মশাগা য়াম্না চান্নবা থবক ওইখি। মতমদুদা পব্লিসিটি দিপার্টমেন্ট হায়বা হৌজিক্লা দি আই পি আর হায়রবা ওফিস অদুগী মখাদা দিপার্টমেন্টেল দ্রামা য়ুনিট হায়দুনা অমা লৈরম্মী। মদুদা এক্টর অমা ওইনা থবক তৌখিবনি। দ্রামা য়ুনিট অদুনা মতম মতমগী লৈঙাক্লা পায়খৎলিবা চাউখৎ থৌরাং, ফেমিলি প্লান্নিং, দিভেলপমেন্ট পোলিসী, অমদি হিষ্টোরিকেল ওইবা লীলা কয়া পুথোক্তুনা মীয়ামদা তোইনা উৎলম্মী। লৈকায় লৈকায়দা চৎতুনা ফাওবা উৎখি। মদুগী মতমদুদনি অতোপ্পা ঠিএটর লূপশিংগসু শম্নদুনা প্লে কয়া অমদা শরুক য়ারকখিবা। থবক্তগী পোত্থারবা মতুংদা অমুক হন্না শুমাং লীলাদা য়াওরক্তুনা মমিং লৈরবা লীলা কয়া অমদা অমুক হন্না উরখি। মমিং অমা অনীদং পল্লবদা- **বৃন্দাবন চৎলমদাই, রোং নম্বর-১, রোং নম্বর-২, নংদি ঐগী ঈশ্বরনি** হায়বনচিংবনি। অসুম্না মখল কয়াগী পর্ফোর্মিং আর্টস ফোর্মশিং অমদি ফিল্মদা খুৎফম নাইনা থবক তৌরম্লবা মতুংদা হৌজিক মীয়াম্না দিজিটেল ফিল্ম হায়না খঙনরিবা অসিদদি ওজা ইরোম শ্যামকিশোর অসি ওন্থোক্লা য়াম্না ফিল্ম কুম্বীরকখ্রে। মমিং লৈরবা ফিল্ম কয়া অমা লৈরি। মখোয় অদুগী মনুংদা ময়াম্নসু নীংশিংবীগদবা অমা অনীদং থমজরবদা- **থবাতোন পার্ট ১, ২ অমদি ৩, নুমীৎলৈ, বোরা উচি, সনাগী ঙা, সনাগী তাঙবল, অং তামো, মিষ্টর লখিপিয়ারি, কংলা করবার** নচিংবা ফিল্মশিংনি। লোয়নমক পল্লুবদা ফংলিবা কলমসিগী খুদোংচাদবা লৈবনা তেনশিঞ্জগে। ওজা ইরোম শ্যামকিশোর হৌরক্লিবা নহাশিংগী ফিরেপ অমা তান্নবা বেসিক খরদা ওইরবসু খঙহন্নবগী পান্দমদা এক্টিংগী ওইবা তান্নফম স্কুল অমা লিংদুনা তুংলমচৎ অমা শেমগৎনবা কন্না হোৎনজরিবা মীশক অমসু ওইরি। লুরিবদি হোংলক্লিবা মতমগী য়াওল অসিদা হৌরক্লিবা নহাশিংনা থকশি খাশি মশক খঙলক্তবা, অমদি অহল-লমনশিংগী থৌগল্লোন কায়রকপা কয়া অসিমদি য়াম্না থম্মোয় শোক্লা নুংঙাইতনা থম্বীরকখি। মরম অদুনা মহাক্কী মনাক্তা লাকপা নহাশিংদা এক্টিং তম্বীদ্রিঙৈগী মমাঙদা দিসিপ্লিন হায়বা অসি হান্না মমুৎ তানা তম্বীরি হায়নসু পনবীরকখি।

শ্রী ইরোম শ্যামকিশোর, লমদম অসিগী ওইনা য়েংবদা য়াম্না তাঙলবা চঙ থোক্লবা আর্টিষ্ট অমনি। শারু-শারুবা কেরেক্টর খূদিংদা পকচবা, পকচনবা, মহাক মশাগী ওইবা এক্টিং দিজাইন অমদি কেরেক্টর করম্না শাগৎকদগে হায়বা অসোমদা য়াম্না কুপ্না মুন্না খন্থজবা অদুগুম্লবা এক্টর অমনি। ওজা অসিগী এক্টিংগী কাঙলোন কয়াশিং অসি মপুং ফানা শেমগৎপদা- শুমাং লীলা অমদি ঠিএটর অনী অসিনা ওজাদা চপ চাবা মঙাল অমা পীবীখি হায়বসি নাখৈ শেংনা থম্বীরকখি। মশাগী চহী ফানা য়াম্না লৈশিল্লবসু হৌজিক, আর্টকী ওইবা ৱারী শাবা হৌরুবদা মশা হেন্না কনখৎলকখি। থৌনা হেন্না লৈরকখি। মসিগী মথক্তা পামজবা তৌজগে খনবা কয়া অমসু লৈহৌরি। মতম শাংনা পুন্সি নুংশাংনা অনা-অয়েক অমত্তা য়াওদনা পামজরিবা খূদিংমক পাঙথোকপা ঙম্বা তাইবং মপুনা পীনবীরসনু হায়না থৌনিজরগে মতাং অসিদা তেনশিঞ্জরি।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ২৪।০৪।২০২২ ইং, নোংমাইজিং;
শজিবুগী ২৪নি পানবা।

মেষ: নচাক নরল চাওখৎপা, মীয়ামগা মরী ফগৎপা, মরুপ-মপাং ফংবা অমদি শেন্দোং তানবা কান্নবা নুমিৎনি। হন্থবা লোয়নবনা কোক শাবা, নাপলনা মাঙবদি লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- মরী ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

বৃষ: ইমুং-মনুংগী ৱা তাবা কান্নগনি, থৌনা লৈয়ু-থবক পাঙগনি অমদি মরুপ খনবা হৈয়ু। চরাংনবনা মাঙবা, খুৎ চাওবা মতাং চাদবা অমদি নোল্লুকপনা কান্নবা লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- মতম ঙায়বা কল্লু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

মিথুন: অচুম্বতনা মায় পাক্কনি-অদুনা অচুম্বনা মাঙওইনৌ। নচাক নরলদি ফংউ হায়বসু লৈ, মরুপ লোয়নবা কান্নগনি। লাঙতক্লবা অমদি য়েৎনবনা মাঙবা লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা মপা চারোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

কর্কট: নীংবদি ঙসিসু শোয়দনা থুংগনি, শেন্দোং য়াম্না ফংগনি, পল্লম্বা শেল-থুম অমদি মীয়ামগী মতেং লৌবা কান্নগনি। মীতোপ্পা থবক্তা অকায়বদি পিরক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চানবী।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

সিংহ: মায় পাক্কদবা অফবা খোঙশাল লৈ। লল্লোন ইতিক্তা চাওনা কান্নগনি, মীৱা ঙায়দনা নীংথিনা খন্থরগা পাঙবা থৌরম মহৈ য়ানগনি। অশাওবনদি মাঙহনগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা মপা চাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

কন্যা: মতম মাঙবা, য়েৎনবনা নুংঙাইফম খঙদবা লৈরসু অফবা মফম ফংবা, নক্লবশিংগী মতেং লৌবা য়াবা অমদি থৌনা লৈবনা মীকোক থোংবা নুমিৎনি।
লৈশা পাখংশিংগী- হায়জবা তাবীগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

তুলা: অনৌবা থবক পাঙবদা চেকশিল্লু-মরুপ লোয়নবা অমদি মীতোপ থাজবা য়াদে। পঙশিন্নবনা য়েক্লবা চাওখৎপা য়াবদৈ কনগনি। অরুবা থবক পায়গনু।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা মপা চারোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা

বৃশ্চিক: মীয়ামগা লোয়নবা কান্নগনি, ইমুং-মনুংগী মতেংনা অফবা অমদি নুংঙাইবা ফংজগনি। মী ঙমগনি, পাইরক্কী লৌশিং চাওগনি, পাউ নুংঙাইবা তাগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মায় পাক্কনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

ধনু: খুৎ চাওগনু, ৱাসু য়াম্না ঙাঙগনু। লৌশিং চাওবগী ৱা লৌদ্রবদি ঈকায় নুংশি য়ানবা থৌদোক নংগনি। নচা-ননাইগী লমদদি নুংঙাই, থৌনা ফুদোকপা মতাং চাই।
লৈশা পাখংশিংগী- মরম চারদি কান্নগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস

মকর: নীংবা শোয়দনা থুংগনি, অনৌবা আশা লাক্কনি, মীচঙ খোম্বসু কান্নগনি, ৱানোম থৌনোম মায় পাক্কনি। ঙাং-শকপা হৈগনি। নরলগী মতাংদা য়েৎনবদি লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱাখল নুংঙাইজগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

কুম্ভ: লান্দবনা নরল ফংজবা, মীঙোন্দা লৈখিবা শেল-থুম ফংবা য়াবা অমদি থাজদনা নুংঙাইবা অমদি ওইজ-ওইথক ফংবা নুমিৎনি। লাই-গুরুনসু চানবী।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চানবী।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

মিন: নীংবা থুংগনি, খুৎ-চাওবগী নুংঙাইবা অমদি নচা-ননাইগী লমদা পুক্নিং পেঞ্জবা নুমিৎনি। য়েক্লবনা কল্লকপা অমদি মীয়ামগা মরী ফবদি ৱাৎলি-নোল্লুক্লা চৎলু।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা খরদি থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

## হৈস্নাম বসন্তকুমার এৱার্দ নাওরোইবম ইন্দ্রমনিদা খুৎশিন্নখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৩ (ঐচ এন এস): ৱর্ল্ড বুক দে ২০২২গা মরী লৈননা সাহিত্য থৌপাং লূপ (শাথৌ লূপ)না শীন্দুনা হৈস্নাম বসন্তকুমার এৱার্দ লান্থোকপগী থৌরম অমা ঙসি কৈশাম্পাৎতা লৈবা দিরেক্টোরেট ওফ ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিক রিলেসন্সকী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকখ্রে।

ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অদুগা মরী লৈননা লৈখিদ্রবা হৈস্নাম বসন্তকুমারগী মিংদা মহাক্কী মচানুপা হৈস্নাম বালকৃষ্ণ, দিরেক্টর আই পি আর গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুর অমদি মহাক্কী ইমুং-মনুংনা কৎপা হৈস্নাম বসন্তকুমার এৱার্দ ২০২২গী মনা মমিং লৈরবা অইবা নাওরোইবম ইন্দ্রমনিদা খুৎশিন্নখ্রে। মনা অদুদা শেল ওইনা লুপা লিশিং ১০, সাইটেসন অমা অমদি সোল অমা য়াওরি।

থৌরম অদুদা কাংজম রাধাকুমার, রিটায়র্দ আই এ এস, প্রসিদেন্ট মণিপুর কলচরেল কাউন্সীলনা অথোইবা মীথুংংলেন; লৈকোলগী প্রসিদেন্ট ক্ষেত্রিময়ুম সুবদনিনা থৌরম মপু অমদি মনা ফংলিবা নাওরোইবম ইন্দ্রমনিনা অখন্নবা লেংবীরকপা ওইনা শরুক য়াখি।

অথোইবা মীথুংংলেনগী ৱারোল পীরদুনা কাংজম রাধাকুমারনা হায়খি, হৌজিক হৌজিক মণিপুরগী লৈরিবা লাইরিক-লাইশু হৈরবা মীওইশিংগী মনুংদা মণিপুরী লিটরেচরগী হিষ্ট্রি নৈনবদি মী মশীং পংয়াম য়াল্লগনি হায়বা থাজদে। লমদম অসিদা হিং দুইজমগী অকনবা শাফু লাক্ত্রিঙৈগী মমাঙদা ইরম্বা লাইরিকশিং ঙসিগী মীরোলনা কাউথোকখ্রে। মরম অদুনা লমদম অসিগী ফজবা মশক অমা ওইহন্নবগীদমক হৌখিবা মতমদা ইরম্বা লাইরিকশিং পাদুনা নৈনবা মথৌ তাই।

অমরোমদা, হৌজিক মতমগী অঙাংশিংনা লাইরিক পাবগী হৈনবী অসি নোংম-নোংমগী হন্থরক্লি। টেক্নোলোজিগী লমদা চাউখৎপা হেনগৎলকপনা টেক্সবুক্তা লাইরিক পাবগী চাং হন্থরকপনি। মালেম অসি হৌজিক্তি খুবাম্নুংদা লৈবগুম্না টেক্নোলোজিনা খলহল্লি। হৌজিক্তি ঈ-বুক অমসুং ঈ-লাইব্রেরীগী মতম ওইবনা মমিং লৈরবা লমদম অসিগী অইবশিংনা ইদুনা থল্লম্বা লাইরিকশিং অপলোদ তৌবা মথৌ তারে হায়খি।

ঙসিগী থৌরম অদুগা মরী লৈননা ফুরাইলাৎপম নন্দকুমারনা শেম্বা মল্টি লেংগ্বেজ (ইংলিস-জপানিজ-মণিপুরী) দিক্সনারি অমসুং ফোঙখি। ঙসি ফোঙলিবা দিক্সনারি অসিনা হৌগৎলক্লিবা মহৈরোয়শিংদা চঙ্না কান্নবা পীরগনি হায়না থৌরমদুদা তীনখিবা দেজ মেম্বরশিংনা ফোঙদোক্লখি।

অমরোমদা, মণিপুর লাইব্রেরী এসোসিএসন (মালা)না শীন্দুনা ষ্টেট সেন্ট্রেল লাইব্রেরী রিদিং হোলদা ৱর্ল্ড বুক দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরগী লাইব্রেরিয়ন থৌনাওজম খোমদোননা চেঞ্জিং সিনারিও ওফ লাইব্রেরী টুদে হায়বা টোপিক অসিদা ৱা ঙাংখি। মহাক্লা মালেমদা হোংলক্লিবা লাইব্রেরীগী মরমদা তীল্লিবা মীয়ামদা শুগায়না খঙহনখি হায়না মালাগী জেনরেল সেক্রেটরি আর কে উর্মিলানা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

## 'য়ুরিয়া লোন্না পুশিন্নবা হোৎনরম্বা মীওইশিং চৈরাক পীগদবনি'

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৩ (ঐচ এন এস): হৌখিবা এপ্রিল ২০ অমদি ২২গী নুমীদাং পুং ৯ লোম তাবা অদুৱাইদা মোরেদা লোন্না থুপ্না য়ুরিয়া হার বেগ ২০০ রোম পুশিন্নবা থৌরাং তৌরম্বা অদু ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা ৱাবগাই মাইরেম্বম লৈকায়দা লৌমী ময়াম্না ফাদুনা মীয়ামদা য়েন্থোকখিবগী থৌনা অদু হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎলি। মতম শাংনা য়ুরিয়া হার ফংদ্দুনা অৱাবা মায়োক্নদুনা লাক্লিবা অসিগুম্বা লান্না বিজিনেস তৌবা খুৎপু অসিনা মতম শাংনা মীয়াম্বু অৱাবা মায়োক্নহন্দুনা লাক্লিবনি। অসিগুম্বা অরানবা থবক তৌবদা চেন্নরিবা মীওইশিং চৈরাক পীগদবনি। নৎত্রবদি অসিগুম্বা লৈবাক মীয়াম্না ৱাগদবা থবকশিং অসি মখা তানা চথরক্লোই হায়নিংঙাই লৈতে। ষ্টেট অসিগী এগ্রিকলচর মিনিষ্টর অমদি মীয়ামগী লুচিংবা ওইবীরিবা সী এম বিরেননসু লৌমীশিংগী য়েংবীরগা মীয়ামদা পীবীখিবা থাজবশিং অদু থবক্তা ওন্থোকপীয়ু হায়না ওল মণিপুর প্রোগ্রেসিভ ফার্মরস য়ুনিয়নগী সেক্রেটরি পব্লিসিটি অরেং কোমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।



Title : One punch man
By : Kh. Yeevraj
Class : VII Sec: Deffodil Roll No. 28
School : SL ARENA OF LEARNING



Title : Woman
By : Khundongbam Likchabi Chanu
Class : III Roll No.
School : Thambalkhong Jr. School



Title : Crow & Pot
By : Khundonbam Wataisana Chanu
Class : IV Sec: Roll :
School : Thambalkhong Jr. School



Title : An Angry Bird
By : Mathoibi Thokchom Chanu
Class : IV Sec: B Roll : 30
School : Pitambara English School




Title : Prayer
By : LeimapokpamZimbaway Singh
Class : VI Roll :
School : St. John English High School Nambol



Title : The Cat
By : Riwas
Class : VIII Sec: A Roll : 6
School : S.V. Getwell



Title : The dog and boy
By : Imtiyas Ahmad
Class : VIII Sec: B Roll : 28
School : S. V. Getwell



Title : Robot
By : Eeru Saikhom
Class : K.G. Roll :
School : Shishu Nistha Niketan



Title : Cake
By : Thoimei Lydia
Class : II Sec: A Roll : 8
School : Maheilen Education Centre



Title : Tree and Birds
By : Irom Nongdamba
Class : III Sec : A Roll : 22
School : Kendriya Vidyalaya, Leimakhong



Title : Aesthetic Art
By : Gyanalaxmi Wahengbam
Class : VII Roll :
School : Keishamthong High School




Title : The Day and The Night
By : Cicilla Wahengbam
Class : 2 Sec : Roll :
School : Keishamthong High School



Title : Scenery
By : Th. Ningthouremba
Class : IV Sec: B Roll :
School :




Title : Save Our Ocean
By : Tabrina Pukhrambam
Class : IV Sec: C Roll :
School : Little Flower



Title : A Bird
By : M. Nena Devi
Class : III Roll : 12
School : Bhairodhan Maxwell Hindi High School



Title : Squid Game/Worker Guard
By : Thokchom Bidyasagar Meitei
Class : II Sec : A Roll : 30
School : Bethel English School, Nambol

অঙাংশিংগী অয়েকপা লাই হাপ্পীনিংবা মীওইশিংনা অঙাংগী মিং, পাসপোর্ট ফোটো, স্কুল মমিং, ক্লাস, সেক্সন অমদি রোল নম্বরনচিংবগা লোয়ননা অয়েকপা লাই অদু নীংথিনা ফোটো কাপ্লগা হুইয়েন লানপাউগী ৱাট্সএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ দা থাবীরকপা য়াগনি।